ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯸, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯰꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, ফেব্রুৱারী ০৮, ২০২০, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ৩০৮শুবা মশীং


# মালেমদা খূদোংথীনিংঙাই ওইবা লাইচৎ শন্দোরকপা

### কোরোনাভাইরস শন্দোরক্লিবসিদগী ইন্দিয়ানা মরু ওইবা পরা তমহৌবা য়ারে

চাইনাদা নোভেল কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা শিহনবা মীগী মশীং তপ্পা-তপ্পা হেনগৎলকপগা লোয়ননা অনাবা মীগী মশীংসু হেনগৎলক্লি। মালেমগী অতৈ-অতোপ্পা লৈবাকশিংদসু মীওই কয়া ফ্লুগা মান্নবা লাইওং উৎথোরক্লে হায়বা রিপোর্ট ফংলে। মরু ওইনা লায়না-লাইচৎ অসিগী হৌরকফম ওইরিবা চাইনাগী হুবৈ প্রোভিন্সতা চৎলুবা মীওইশিং মরৈবাক্তা হল্লক্লুবা মতুংদা লাইওং উৎথোরকপা থেংনখিবনি। ইন্দিয়াগী ওইনসু হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবগী কেস অহুম কেরলাদা থেংনখ্রে। কর্নাটকাগী ওইনা কোদাগু, মেঙ্গলুরু, চমরাজানগর অমসুং মায়সুরু য়াওনা কেরলাগা থংনবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা কেম্পেগাওদা ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা কোরোনাভাইরসকী থর্মেল স্ক্রিনিং চথরি। পঞ্জাবতা কোরোনাভাইরসকী চিংনবা কেস ২২ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়দ্রবাদ, ওদিষা, দিল্লি অমদি মনেসারদসু অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্না থেংনখ্রবা কেরলাদা মীওই ২,৪২১ ওবজর্ভেসন তৌদুনা থম্বগা লোয়ননা মীওই ১০০ রোম ক্বরান্টাইন ফেসিলিটিশিংদা থম্লি। চাইনাদগী হল্লকখিবা মীওই পূম্নমক য়ামদ্রবদা নুমীৎ ২৮নি ময়ূমদগী হেন্দোক্তনা লৈগদবনি হায়না খঙহনখি। উত্তর প্রদেশতসু চাইনাদগী হল্লকপদা ঙায়রিবা মীওই অহুম আগ্রা, বলরাম্পুর অমসুং গোন্দা দিষ্ট্রিক্টতা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদা পুখৎতুনা ফীভম য়েংশিল্লি। মীওই অহুম্মক চাইনাদগী হল্লক্লুবা মতুংদা ফ্লুগা মান্নবা লাইওং উৎথোরকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎখিবনি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা কোরোনাভাইরসকী মতাংদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা কুপ্পা খন্ন-নৈনখ্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা কনাগুম্বা ইন্দিয়ন অমত্তা চাইনাদা চৎতনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা চাইনাদগী লাক্কদবা মপান লৈবাক্কী মীওইশিং অমসুং চাইনীজ পূম্নমক্তা পীখিবা ভিজা চৎনররোই হায়না লাউথোকখি। হৌখিবা দিসেম্বর থাদা খ্বাইদগী ইহান-হান্না সেন্ট্রেল চাইনাগী হুবৈ প্রোভিন্স মনুং চনবা ৱুহান সিটিদা কোরোনাভাইরসকী কেস থেংনখ্রবা মতুংদা হৌজিক মালেমগী অতৈ অতোপ্পা লৈবাক ২৪ রোমদসু লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরকখ্রে। মথং চয়োলদা হেল্থ এক্সপর্টশিংনা জেনেভাদা মরু ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ভেক্সিন পুথোক্লবগী মতাংদা খন্ন-নৈননবা থৌরাং তৌরিঙৈগী চৈরক্তা চাইনাগী ওইনা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনদগী শিখিবা মীওই ৬০০ লোম য়ৌরক্লে। কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবগী কনফর্ম তৌরবা কেসনা ৩০,০০০ রোম য়ৌরক্লে।

খ্বাইদগী লাইবক থীবদি চাইনাদা ইহান-হান্না কোরোনাভাইরস শন্দোরকপদা ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা লাউথোক্তুনা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎহনবগী মহুৎতা তুমিন্না লোৎশিন্নবা হোৎনখি হায়রিবা ৱাফম অসিনি। ৱুহান সেন্ট্রেল হোস্পিটালদা ওফথালমোলোজিষ্ট ওইনা থবক তৌবা ডা. লি ৱেনলিয়াংনা হৌখিবা দিসেম্বর ৩০দা অহানবা ওইনা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপগী ৱাফম মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনখিবদা লোকেল পুলিসনা অথিংবা পীখি হায়রি। কোরোনাভাইরস শন্দোরকপগী রিপোর্ট মালেমগী মীয়ামদা য়ৌহন্দুনা মীওই কয়াগী পূন্সি কন্নবা থৌরাং লৌখৎলম্বা ডা. লি ৱেনলিয়াং মশামকসু লায়না অসিনা নাবদগী শিখ্রে। কুমজা ২০০৩দা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা শন্দোরকখিবা সিভিয়র একুট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (সারস)কা মান্নবা লায়না অমা শন্দোরক্লে হায়না হৌখিবা দিসেম্বর ৩০দা ডা. লি ৱেনলিয়াংনা সোসল মীদিয়াগী খূথাংদা অতৈ অতোপ্পা দোক্টরশিংবু চেকশিন্নবা খঙহনখি। নুমীৎ ৪নিগী মতুংদা পব্লিক সিক্যুরিটি ব্যুরোনা ডা. লি ৱেনলিয়াং কৌখৎলগা "তোকঙা শন্দোক্তুনা মীয়ামদা মিপাইবা পোকহন্নবা হোৎনরুবগী মরাল লৈরে" হায়না ইবা চেরোল অমদা নমদুনা খূৎয়েক পীহনখি। চাইনীজ ওথোরিটিশিংনা চৎথখিবা থৌওং অদু হৌজিক্তি মালেমগী মীয়াম্না খঙনরক্লে। হীরম অসিগী মতাংদা হ্যুমেন রাইট্স ৱাটচকী ইগজেক্যুটিভ দিরেক্টর কেনেথ রোথনা হায়খি, লায়না-লাইচৎ অমা লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎপদা অরোন-অথুপ তৌবগী চন্নফম লৈতে। করিগুম্বা চাইনানা ঙল্লিঙৈ মতমদা ময়েক শেংনা লাউথোক্তুনা মীয়ামদা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎহল্লম্বা তারবদি কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অসি কা-হেন্না খূদোংথীনিংঙাই ওইরমদবা য়াই হায়রি। হৌজিক্তি লায়না-লাইচৎ অসি মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা শন্দোকখিদুনা মণিপুরদসু য়ৌশিল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে। মণিপুর লৈঙাক্না চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা ওইনা চাইনা, ম্যান্মার অমদি অতৈ খা-নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিংদা শেম্বা পেকেটতা হানবা অচা-অথক্কী পোৎলমশিং ষ্টেট অসিদা পুশিল্লকপা থিংখ্রে। থৌরাং অসিমক্না কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়বমক্তি নৎতে। মতাং অসিদা হৌজিক খন্নবা য়ারিবসি মণিপুরদা করিগুম্বা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা তারবদি মতৌ করম্না মায়োক্নগদগে হায়বদুনি। অমরোমদা, লৌনগনবা লায়না অমা শন্দোরকপা হায়বসি তম্বা ঙমদবা থৌওংনি। অদুম ওইনমক অচুম্বা ৱাফম লোৎশিনবনা অসুক্কী মতীক খূদোংথীনিংঙাই ওইহল্লি হায়বা মমল য়াম্লবা পরা অমা হন্দক্কী মতাং অসিদা চাইনাদগী তমহৌবা য়ারে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৩

১। ঐখোয়গী শেংলবা কংলা মনুংসি ইতিহাসকী মচাক ওইবা ফূড়াশিং, ঈরম খোংলম কয়া অমা লৈরিবনি। ইবুধৌ পাখংবা হাক্তক্তগী মহারাজ কুল্লচন্দ্রগী মতমফাও কোনুং ওইরক্লবনি।

(ক) মসিদা লৈরিবা নূংজেং পুখ্রি অচৌবা শেংলবা মফমনি। মসিবু করি হায়নসু খঙনবগে?

(খ) নোংচুপ সনথোঙ অসি কংলাগী মরুওইবা থোঙ অমনি। করম্বা সনাহাক্তক্তা শারম্বনো?

২। "ননাই ঐগী কংলবা থম্মোয়দা ধম্মগী ময়োন হুনবগুম তৌরে। রাম সীতাগী গুন তাবদা য়ামদ্রবদা মিত্তা পি শিন্থবা মখৈদদি হৈরে।" পরেং অনীসি কবি চাউবগী 'লবঙ্গলতা' দগী লৌথোকপনি। ননাই হায়রিবসি কনানো?

৩। "নুপানা রাম ওইরগা লোয়নবীসু সীতা ওইবনি। নত্তদুনা নুপীখক্তং সীতা ওইয়ু হায়বদি খক ওইথোক্লরোই।" ৱাফমসিনা 'থোইনু' কৌবা ফম্বাক লীলা অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। "লূপথৌ লুরবা ঈরোন্নুংদা/থম্মোয় থম্বাল লৈরিক্লুংদা/ফঙ্গনি মঙাল অচুম্বগী।" পরেং অহুম অসিনা এস ভানুমতিগী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "উখ্রুলদা ঐগী থৱায় লৈহৌরে/ইম্ফালদা লৈঙমদ্রে।" পরেং অনীসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবা অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নহা অমদি অহল

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



অয়াম্বা নহাশিংনা অরিবা ঈশৈ তানীংদে। অরিবদি সনানি হায়নবদি লৈ। সনাগা চঙবা ঙমদে নহাশিংদা। নহানা অনৌবা ঈশৈদা ঙাওই। অরিবা খুদিং সনাদি নত্তে, অনৌবা খুদিংমকসু সনা নত্তে। ৱাখলনা সনা ওইহল্লি। সনা ওইগেরা ওইরোইরা নহাশিংনা অরিবা ঈশৈদা ঙাওবা য়াম্না তাঙই। নহাশিংনা সনা নত্তবসু পাম্মী। অহলশিংনা অরিবদা ঙাওই।

নহাশিংনা পাম্বা ঈশৈ অহলশিংনা তানীংদে। নহা শাননবা, নহানা য়াননবা নহাগী ঈশৈ পামশিন্নে। নহাগী ঈশৈদগী 'নহা নহাগী ঈশৈ' হায়বসু অমুক লৈ। 'নহা নহা নহাগী ঈশৈসু' অমুক লৈরি। অহলগী ঈশৈ, 'অহল অহলগী' ঈশৈ, 'অহল অহল অহলগী' ঈশৈ অমুকসু লৈখ্রি।

নহাগা অহলগদি ঈশৈদদা নত্তে। হীরম খুদিং ৱাখল চানদে। নহাশিংগী তাইবঙসু অহলশিংগী তাইবঙসু মানা মানা মাগী মাগী অকোয়বদা ফংনরিবা পোৎলম চৈরম চৎনরোল ময়াম অদুদগী তোঙান তোঙান্না ওইজরকপনি। থায়নগী অহলনা হৌজিক মতমগী চৎনরিবা, ঙাঙনরিবা, হায়নরিবা, তৌনরিবা ময়াম অসি নাদা হাপ্পা নত্তে। নহাশিংনা তৌরিবা পূম্বা মীৎ থকপা, থূপ্পীবা অমত্তা নত্তে।

অহলশিংনা হায়, "ঐখোয়দি থায়নগী মেত্রিকনি, ক্লাস আইট ফাওবদং তম্লকপনি, নখোয়গী হৌজিক্কী মতমগী বি এদগী হৈবা হেল্লি।" নহাশিংনসু অহলনা হায়রিবদুদা নোকই অহল অহলনা পুরে, নহা নহানা পুরে হায়দুনা।

শিংইবুদি খঞ্জবা অদুগা মীনা শান্নবিরগা থম্বা অহল ময়াম অমসু লৈরম্মী। অহলশিংনা কনখৎ-কনখৎতুনা ভোট থাদ-থাদদুনা মবুক মনুংদা হন্না লোক-লোক লাউনা চঙলবা মীওই কয়া অমসু মীয়ামগী মীহুৎ ওইহল্লমদুনা নহা ঐখোয়বু অৱাবা নংহল্লমই। অহলশিংনা খনবা ঙাক্লসু চুমদে। নহাশিংসু অদু মঙায় মখোয়না তৌবনা মচুম্মে হায়না খল্লি, অদুনা ঙাঙনা-শানবা অমত্তা য়াদে। মখোয়না পাম্বা অদু ঙাক্তা তৌই। মমা মপানা হায়বা অমত্তা য়াদে। অহলনা হায়, ঐখোয়গী মতমগী ঈশৈনা ফজে, প্রমান পান্থে, নাকোইননা হায়বা, নাকচেক্তা হায়বা অসিনা ফজবা হেল্লি অদুগা, নহাশিংনা অমুক হায়, 'ঐখোয়গী ঈশৈনা ফজবা হেল্লি'। হায়নীং-হায়নীংবা দোং দোং হায়। প্রমান-পান্থে তৌদুনা ৱাহৈ ফজবা থিদুনা লৈবা মথৌ তাদে, নাকোয়ননা হায়বগী করি মথৌ তারি। ঐখোয়না ফজে খল্লিবা অসিনা অশেংবা ফজবনি। থায়না ফজরম্বা অদুনা হৌজিকসু সুম ফজবা য়াবরা? অহলশিংনা নহাশিংবু খরা লায়থোক্লা য়েংবা লৈ। কূপ্না য়েংলগদি নহাশিংগীসু ফজৈ। অহলশিংগা নহাশিংগা মীৎয়েং মান্নদবগী ৱাদনি। অহলশিংগী অদুসু মখোয়গী মমাঙগী অহলশিংনা কৈসু য়ারম্মোই অদুগা হৌজিক্কী নহাশিংগী ৱাখল অসিসু হয়েংৱাই হৌজিক মতমগী নহাশিং অদুগী মতুংদা লাকপা নহাশিং অদুনা করিসু য়ানীংঙোই।

'ফজবা' হায়রিবা অসিসু সুম অরেপ্পা লৈবা নত্তে। মসিদি মী মীগী ৱাখলনি। মমাঙ মীরোলনা ফজবা অদু মতমগী মীরোলনা ফজবা ওইদে। মনাতোন নম্বা, পাকপা, মী ফূলৈনবা অসি মতম অমদা য়াম্না ফজনরম্বা য়াই, হৌজিক্লা নাতোন তূম্লপ তৌবা, মশা পারন তৌবা, মখ্বাং চেঙবা অসি পাম্নরি। হেক পোকপদগী য়াওরকপা ফজখ্রবা অমুবা শম অসি পেন্দদুনা অঙাংবা, অঙৌবা শংলগা ফজবা ওইনরি, মীৎ লাউবা পাম্নে, চিম্বাল অদু অঙাংবা শংলগা চাউরপ উহনবা পাম্নে। ফনেক শেৎপী উরক্ত্রে, খোঙগ্রাও শেৎপী ঙাক্তা ঙায়খ্রে। মতম মতমগী ওইবা ফজবনা ওইরকপা অহোংবনি। অচুম অরানগী ৱাফম নত্তে, ওইরক্লিবা মওংবু পঞ্জরকপগী ৱাফমনি। মফম, মতম, ফীভম্না মতম পূম্নমক্তা নহাগা অহলগা পিশুম শুরুহল্লি।

নহাগা অহলগা চৈনা চৈথেং অমত্তা মান্নদে, অদুনা নহাশিংগীসু অচুম্বা লৈ। অহলশিংগী ঙাক্লসু চুম্বা নত্তে। অচুম্বা, ফজবা, অফবা হায়বা খুদিংমক মতমগী মতুংইন্না হোংবা নাইরম্মে। নহাগীসু খরা য়েংবীবা ফৈ। নহা হায়বসি ইরায়দা অদুম লায়থোকই। অঙাংগী নুমিৎ, নহাগী নুমিৎ হায়জবতনি, অহলনা অদুম চুম্নবা লাক্লে। অহলগী মীৎয়েংদগী মতমগী মণিপুর য়েংবা ঙাক্না চুমদৌ মান্দে। নহাশিং, তুং কোইনা হিংহৌগদবশিংগী চৈনা, চৈথেং, মৈচাক অহল ওইবশিংনা খঙবীবা তাই। মাইক্রোফোন্দা নহা নুংশিবনা থেম্বা ঙমদে থম্মোয়। ●

# চুমদবা লোন, চুমদবা লাই লৈব্রা

**নবকুমার ওইনা**

লাই লিক তম্বা হায়বসিবু লাই নীংবা নত্তবরা? লাই লিক হৈবা হায়রিবনা কনা কনানো? লাই লিক তম্বীরিবনা কনা কনানো? ঙাঙনরিবা লোন ফাওবা চুমদ্রবদি লাইদুদি লান্দবরা? ফংনবা থিবা, খঙনবা হোৎনরকপদা থিফম খঙলক্তবগী ৱাফম লাকপদুনি।

উমংলাই লাইনি হায়রগা শেন্বীবা মপুনি হায়রবদি কদায়দনো অমা হোনবা মাল্লি, উমং লাইদি ইপা ইপু লাৎপনি হায়রি। উমংলাই হরাওবদা লৈশেম জগোই শাবা য়াওবগী মরম করি ওইগদৌরি? লৈশেম্বা হায়রিবনা লৈবাক অমা শেম্বদুরা মালেমসি শেম্লকপগী ৱারীদুরা? চমম্নবা কোক্ত্রবদি কমদৌনা লাইরিক তম্বা কৌগদৌরিবনো? লাইরিক তম্বীবা ঙম্বনা কয়া য়াম্না লৈরবা, লাইরিক তম্লিবনা কয়া য়াম্লবা, লাইরিক খঙলবনা কয়া য়াম্লবা, কনা-কনা লাইরিক হৈরবা? ৱাহংসি হংবা য়াবা ৱাহং নত্তবরা? লাইগী ৱারীনি হায়রগা ফুঙ্গা ৱারীগুম্বা খরা খঙলগা লাইরিক তম্লবনি নত্রগা লাইগী ৱারী খঙলবনি হায়বা হেক্তা য়ারবরা? তম্লীবা খুদিং লাইরিক্লা?

খঙদবদগী লাইনি হায়বমখৈ হংদবীদা পঙখুদা হেক খুরুম্মুরে। উখ্রিবা মীগী মমাঙদা ইকায়বা ফাওরক্লে। ইপা ইপুনা তৌরম্বনি হায়বসি উমংলাই ওইনা লাৎপা য়াবা ইপা-ইপুশিংদুরা লাইখায় তাদনা পুন্সি লোমখ্রবা ইপা ইপুশিংগী অদুরা? ইপা ইপু লাৎপা ফুরুপ্পি হায়রগা অপোকপা ইপাগী লান্ন-থৌরম অমসুং ফিরোইদনা মীতোপকী মপা-মপু ৱায়রগা লাৎপসু য়াওরি। মসিদবু লাইরিক তম্লবনি হায়বা য়াগদৌরিব্রা?

লাই লাৎপা হায়বরা, লাই খুরুম্বা হায়বরা, লাই নীংবা হায়বরা, লাই শান্নবা হায়বরা, লাই লিক তম্বা হায়বরা ময়ামসি পুন্দবরা, মান্নদবরা? য়ুম্নাক শাগৈ হোংদোক হোংজিন তৌবদগী মপা-মপু হোংবা ঙমদবা, মীগী ইমুংদা অওক-অপা শাবা য়াওরব্রা? "ঐগী ইপা-ইপুদি হোংলোয় নখোয়গী নপা-নপুদু হোংঙু" হায়বা য়াওনরব্রা? "নখোয়গী লাইগী ৱারী শাবা য়াদে, ঐখোয়গী লাইনীং লৌগদৌবনি" হায়রম্বশিংদু লাইনি হায়বসি খঙবগী ওইগদৌরিব্রা, খঙদবগী ওইগদৌব্রা?

তশেংবদি লাই হায়বা অমা হান্ননা লৈরম্লবা মান্দে। মীওইবা ওইরক্লবা মতুংদা শেমগৎলকপা হৈনবী লিচৎ, ৱাখল্লোন, নাট, শাজৎ অমদি ওর্গনাইজেসনগী তঙায়ফদবা কয়াৎ অমা ওইরকখিবা মাল্লকপা অদুনি। চাথাং-শুথাং ময়ামগী হিংবা ঙম্নবা চিঙ্গাক থিবা, শাথেং লাম্থেংনবা, য়েক্লবশিংদগী ঙাকথোক্লবা ওর্গনাইজ তৌদবা য়ারক্তবা কয়াদগী পুন্নবা ফোর্মুলা থিরকপদা লুচিংবা য়াওদবা য়ারক্তবা অদুদগী লাইগুম্নবা অঙম্বা অমগী থৌদাং চাউরকপা মশানা তারকখিবদুদগী ইপা ইপুগী মিংদা, শাগৈগী মিংদা, ফুরুপগী মিংদা পুনবা, পুন্নবা হোৎনরকপদা লাই ওইরকখিবনি। ইপা-ইপু পুনবশিং নুংশিনবা হেল্লি হায়বদি ঙসি ফাওবা চথনরি। খৎনবা শাওনবা য়াওদবদি নত্তে, নাট মান্নবমখৈশু নুংশিনরি। অপোকপা হায়বসি ইপা ইপুবুনি, অপোকপা খুরুম্বা হায়বসি উমংলাই হরাওবা থিংজিনবা, সনামহী লাইনীং মুখৎনবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা তুমিন-তুমিন লাইনীং মুত্তনবা খুরুম্নবগী মওং অমা ওইগনি খল্লি। ইমুং অমগী অকক্লবা হৈকৎ লৈকৎ তৌদবা য়াদবা থৌরম অমগীদমক ইমুংদা ফাওবা অপোকপা খুরুম্নরম্মি। ঙসিদি অথিংবা লৈত্রবনা মপান থোক্না অপোকপা খুরুম্বগী থৌরম পাংথোক্লরক্লে। অপোকপা হায়বনা শাগৈ অমগী, উমংলাই হায়বনা শাগৈ কয়াগী ফুরুপ অচৌবা অদুগী ইপা-ইপু পুন্না ঈরাৎ থৌনি তৌবগা নক্লবা মরী লৈনরম্বা তাবনি। চহী চুপ্পা লাই নীংদুনা লৈনরম্বদি নত্তে, থবক থৌরম খুদিং ইপা-ইপু ওইরিবা লাইদা খুরুমজরগা শোয়দ-ঙামদনা পাঙথোকহনবীয়ু নিজবা ঙসিসু চৎনরি। থবক্তা পূক্নিং চংনবা শাজেল তৌবনি। লাই খুরুম্বসি ৱাহৈ চুমদ্রবদি লাইদুনা তারোইদ্রা, লোন চুমদ্রগনা পাও ফাওনবদা অশোয়বা লৈগদৌরিব্রা? লাইদা নিবগীদমক ইন্নবা, খৎন-চৈনবা য়াওনরিবসি চুম্বরা, লাইদুনা য়াব্রা? লাই ওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংগীদমক লাই হরাওবরা, হিংলিবা চথাং-শুথাংগীদমক লাই হরাওব্রা? লাইশিংদু লুক কৎত্রবদি চাবা ফংদবরা, চহী অমদা অমুক অনীরক্তমক চাবা ফংবরা? লাই অমনা নুমিৎ খুদিং লুক কৎলগা লাই অমনা থা তরামাথোই চারা হেনবসু লৈ, লাই অমনা লুক কত্তে। লাই ওইরবশিংগী চাকচা-ঙাচাসি কনানা থিগৎপা য়াওখ্রে। মদুফাওবা খঙদনা লাই নীংবা হায়বসি করিদা চুমগদৌরি। মুন্না খল্লবা মতুংদা লাইদা শেল কৎলগা অপাম্বা নিবসি নোক্লিংলক্কনি, মদুবু লাই খুরুম্বনি হায়বসি য়াদবা মীসু লৈরিবনি। তূম্বা হৌগৎপদা লাই খুরুম্বশিং শেল কৎপা উদে, লৈবাক্কী লুচিংবশিং লৈখিদবদা পৈশা কৎনদে, গাড়ী তোংবদা লাইবক কৎপা কাঙবু শেল কৎনদে। পৈশা য়াম্না পাম্বা লাইশিংসি থাজরক্তবা অমা ফাওরকই। অশিবনা শেল পাম্বা হৌনব্রা, শেল কৎলিবদু কনাদনো? লাই নীংব্রা হায়ববু মপা-মপু শিখিবদা মুৎপা য়াওনরক্কদৌরি। মপা-মপু নুংশিব্রা (নীংবা) হায়ববু লৌ য়োল্লগা শোরাৎ শোন্নবা য়াওই হায়নরি। খুঞ্জাওনবা লৈচাওনবা হায়না লাওরগা ইমুং মুৎনবা শাজৎ লৌশিনবা হায়বসি লাই নীংবগী থৌরম ওইরোই। অপঙবা ফুদোক্তুনা লাইনীং শাগৎপদা লাইগা লাপ্নরকপনি। য়াই-য়াদে হায়বসি লাইনা হায়বা নত্তে, মীনা হায়বনি, লাই অমগী ৱাসি লাই অমনা য়ানদে হায়বসিসু মীনা হায়বনি। লম্বী থোং ফত্রিঙৈদা লাইশিং য়ানরমদ্রবসু মোবাইল ফোন মতমসিদা লৈরম্বা থোক্লবদি য়ানরম্বসু য়াই। লাই নীংবনি হায়রিবা মী কাঙলুপশিংদি (লাই পুল্লবসু) ঙসিসু খৎনবা, হাৎনবা, লান তোকনবা ঙম্নদ্রিবনি। লাই নীংবা মাল্লক্ত্রিবনি। মখোয়গী লাইদুনা লাইদা অমরা, মখোয়গী লাই লৈবা হৌনদে, শাশিন্নবনি। লাই হায়বসি লৈতবদা শেমগৎপা অমনা, শিখ্রগা লৈরি হায়বসি লাইখক্তা ওইরবগা, লাইদু অচুম্বা চৎপনি হায়বসিসু লাল্লকপদুনি। অদুদগী লাই-মীনম-চাবা হায়বদি লাইদা ওইদবা, অরানবা তৌবা য়াওই, য়াই হায়বসি য়াওনরকইবনি। অহিংবা মীশিংসি লৈত্রবা, অশিবা (শিখ্রবা) লাইদু লৈবা য়াব্রা? অশিবা লাইদু নীংবদা অহিংবা মীশিংগী অপঙবা কয়া ফুদোক্লফম ওইরক্লি। অপুনবা শাগৎনবা লাই নীংলগা পুল্লম্বদু লাইগী মিংদা মী মরক্তা খৎননবা, হাৎননবা লাই ওইরক্লি। লাই খঙবা শাবা ময়াম থোক্লক্লি। লৈখিদ্রবা (শিখ্রবা) লাইবু খঙবা হায়বসিবু উহৌদবা মীনা করম্না খঙগদৌরিবনো? লাইশিংগী মতমদু ফোটো কাপ্নরবসু নত্তে। মদুদগীদি লাইশিংসি (অয়েকপা) মশক মান্নরক্তরে। অঙাংনা, মমিং মান্নরগা লাইসি কয়া শুই হংবা য়াওনরক্লে। লাইনা মীদা মীনম্বরা, মীনা লাইদা মীনম্বরা, মীনা মীদা মীনম্বরা অমদি শোয়দনা চথরি। মসিবু লাই নীংলিবনি হায়বদি য়ানরক্লরোই। লাইরিক তম্বা ৱাৎলবা, লাইরিক পাদ্রবা লাই খঙবগী ৱাসিমা ওইররোইদবা ৱানি। ওইথোক্তবা হায়বসি অপঙবশিংগী ৱাখলনি। লাই নীংলগা শিংবা হেনগৎকদরা হায়রগা পঙবা হেনগৎপা য়াওরব্রা? লৌশিংদি হেনগৎপা ফত্তবদা লৌশিং থাদবা ওইগদৌব্রা?

লাই নীংবসি লোনচৎ শাজৎ শেমগৎপনি হায়বসু য়াওরি। কনা অমনা শিবদা ফজনবনি, ফজনা ঙাঙনা শক্লহৌনবনি হায়বসু লৈ। অতেনবদা অফবা মীনি হায়নবা হোৎনবনি। লল্লোনবা মীনা শেল পায়গে হায়বগী লাই নীংই। লাই নীংবা লোয়নমক শেল পায়বদি নত্তে, লন লৈবা হায়বসি শেল পায়বদু ওইনতা লৌনদে, কাঙলোন খঙনা মরৌশিং লৈববুসু মরন লৈবা ওইনা ঙাঙনবসু লৈ। লাইদা নিরগা লোয়নমক ফংগনি হায়বসিমা অরানবা শাজৎনি। ব্লেক মার্কেট তৌবা মীসু লাই অদুম খুরুম্মী, শেল য়েল্লগা ভোট কাবা মীসু লাই অদুম খুরুম্মী। শাবী শানৌ কয়াসু থায়নগী মতৌ তম্লগা লাইদা খুরুম্বা চৎপা য়াওনরি। লাইদা হায়জদবা কাঙবুরা খঙদে, নুংশিনরগা হাত্তোক্লবসু য়াওশিল্লক্লি। লোন চুমদবদগী লোনচৎ চুম্লক্তব্রা, লাই লানবদগী লোনচৎ লাল্লক্লিব্রা। অরানবা অমদি য়াওরে হায়বসিদি ময়াম্না ইখঙ খঙনবা ৱানি। কনানা চুমথোকপীগদৌরি। লো লৈরি হায়বা তাবরা? লোনা হেন্না লানখ্রে, খৃষ্টান চৎপা মীদসু গীতা পায়রগা ৱাশকহল্লি, সনামহী চৎপা মীদসু গীতা পীরগা লাইনীং শন্দোক্তুনা লৈরিবসি লোনি হায়বা য়ারব্রা? "নো ৱান ইজ অবব দি লো" হায়বসি লাইগী মথক্তা লো লৈফম থোক্তব্রা? মদুদগী লাই কিদবা হৌরক্লে, লুপা তরানা থেম্বা য়াবা লাই ওইনা লৈহৌরে। কোর্ট হায়বদু লাই নীংবশিংনা হান্না ওইরম্বনি, ঙসিনা লাই নীংবশিংদু কোর্ট কাবা ময়াম য়াওরক্লে। মীনা লাই শাবসি, টু ইর ইজ মেন হায়বদুদগী নাম্থোকপা ঙম্লবা মান্দ্রি। লাই নীংবশিংনা লাই শাবা হৌনদে, লোন চুমদে। মদুদগী লাই চুমদবা হৌরকই। ইশম শম্না মীওইবসি লোনচৎ চুম্না, অমনা অমগী মায় ঙাক্না চৎনগদৌবনি, মালেমদা মীওইবগী থাক ৱাংখৎহনগদৌবনি হায়বসি লাইনীং ওইনা লৌনফম থোকপনি। মদু খঙনবা ৱাংউলোন অদুবু লাইনীং ওইনা চৎনরম্বা লমদম অমদা মীদগী ওনবা লাই ময়াম লাৎশিল্লকখিবদগী লাই হায়বসি মীদগী ওনবা ওইনা লৌনখ্রে। নুমিৎ লাৎপবু মী লাৎপা ওইনা ৱাখল হোংহনখ্রে, নুমিৎপু মীনি হায়না খনবা হৌহনববু লাই নীংবনি হায়বদি য়ারোই।

উমংলাই লাৎফমবু লাইবুং কৌনরি, লাই নীংবা তমফম্নি, হৌজিক্কী স্কুলগুম্বনি। লাই নীংফম্না য়ূমদা কয়াৎ নায়না য়ূম হায়বসিমক লাইশঙ ওইনা মী অমসুং লাই পুন্না লৈমিন্নবা মফম্নি। লাই কৌবা মী শাগৈ লৈরিবনি। ইশানা ইশা লাৎচবা, হরাওজবা, হিংনবা হোৎনবা, ফজনবা হোৎনবা অদু খিবিকপু লাইনীং ওইনা লৌরম্বা ওইগনি।

লাই লাল্লবদি লোনসু লাল্লকই। লাই নীংবা শঙদবা, লাই নীংবা তোক্লরবা মফম য়াম্না লৈরে। হৈতবসু ময়াম লৈরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।